# “হিংচাবনা হিংচাবা পোকই-!”

**– এল ইবোমচা –**



নিংথৌজাগী নিংথৌশিংনা সলাই লৈবাক অতৈবু মথং-মথং লৌশিনখ্রবা মতুংদগীদি অপূনবা মৈত্রবাক (মীতৈ লৈবাক) অমা শেল্লদুনা তম অসিগী অপূনবা সলাইগী মীওইশিংবু মৈতৈ হায়না খঙনরকখি। ঙসিদি চীংমী-তম্মী অপূনববুনা কাইনথংদা মণিপুরী হায়না খঙনরক্লে। ফূরুপ অমগী হৌরকফম মফম খঙবা হায়বসি অরাইবা খক ওইদে। মরম অসিনা মৈতৈ (মণিপুরী) অসিসু কদাইদগী হৌরকখিবনো হায়বগী চপ চাবা মত পীবা খরদি লুনা থোকই।

চৈথারোল কুম্বাবদা মণিপুর ইতিহাসকী যূস্ফম ওইবা ৱারীগী মতুংইন্নদি পাখঙবনা নিংথৌ ওইবা চহী ৪৫ শুরক্লবদা শকাব্দ অমা হৌএ। খৃষ্টাব্দ ৭৮-দা শকাব্দ অমা হৌখি। মরম অসিনা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা নিংথৌ ওইখিবসি খৃষ্টাব্দ ৩৩নি হায়না ইনরিবা অসিনি।

চৈথারোল কুম্বাবা অমদি নিংথৌরোল লম্বুবনচিংবা লাইরিকশিংগী মতুংইন্না মণিপুরগী ইতিহাসতি মপূংদা লানগী ওইবা ইতিহাসনি। মরম অসিনা মণিপুরীশিংনা বর্মাগী লৈবাকশিংগা, কছার, ত্রিপুরানচিংবা লৈবাকশিংগা য়াম্না তোইনা লান্থেংনবগী ৱারী ফংই। লানগী শেম শাবা ওইনা মৈতৈ নুপা খুদিংমক লানগী শাজেল তম্মী। য়ূমথোঙ খুদিং লানগী চাকয়োম লাংদুনা থম্লে। অরৈ লৈতা তাথোক তাশিন, লৌথোক লৌশিন তৌনরম্মী। অৱা অনা অমা তারকপদা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা মতেং পাংনদুনা লাকই।

অমনা অমদা মতেং পাংনবগী ৱাফমসিদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈ অমদি তিল্লবা মতুং কুমজা ১৯৬০ অসিৱাই মতমসি ফাওবা পোৎকা পোৎকা ওন্নবা, পোৎলম খুদিংমক পুবা-লঙবা, ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌনদুনা অরৈ-লৈতা তাথোক তাশিন তৌনবা অসিনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী পাঙ্গল শাগৎনরম্মী। পোৎ অমত্তং লৈব্রা হংনবদা লৈনা লৈনা লৈতে খক হায়নদে। হাওবা হাওতবা এঙ্গাং অমা থোংবদা য়ূম্লোন কৈরোন্নবা এঙ্গাং লান্নরগা চামিন্নরম্মী। মতম অদুগী শীংথানীংঙাই ওইরিবদি ফুঙ্গা ৱাইরুদা চহী চূপ্পা মৈ মুৎহন্দনা ‘য়োক্তুনা’ থম্বা ইমুং অদু লৈকায় মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা অদুনি। অদুগা মরম অমগীদমক মীঙোন্দগী ৱাইরুবা পোৎ খুদিংমক থবক হেক লোইবগা মপু-মপুদা থিন্দোকখিবা কাউনদে। মসিনা মরম ওইরগা মচিন মনাও, শাগৈ নাতৈ হায়বা লৈতনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নে। কয়ামুক নুংশিনা হিংমিন্নবগে হায়বদা ঐঙোন্দা লৈবনি খঙবা পোৎ অমা অতোপ্পা অমদগী ৱাইরুদুনা শীজিন্নরম্বদা শাওনৈ। ঐঙোন্দগী লৌদনা অতোপ্পদগী করিগী ৱাইরুরগা শীজিন্নরিবনো হায়না থৌওইনা ৱা ওইনা ঙাঙনৈ।

অমরোমদা, য়ূম অমা মশক তাকপদা পৃথ্রি অদুগী, খোংনাং পাম্বী অদুগী, হৈনৌ পাম্বী অদুগী, বোরোই পাম্বী অদুগী অৱাং থংবদা, মখা থংবদা, মনীং থংবদা অমদি মমাঙ থংবদা লৈবা লৈরক্তুগী অদুগুম্বা, মদুগুম্বা য়ূম অদুনি অসুম্না তাক্লে। অদুগা করিগুম্বা মরম অমদগী খৎন-চৈনবদগী য়ূম অনীদু চঙনদ্রবা, কৌনা-ঙাঙনদ্রবা অদু ওইরবদি অঙাংশিংদা মখা থংবগী য়ূমদা শান্নবা চংলুগনু, অৱাং থংবগী য়ূমদা চংলুনু, মনীংগী য়ূমদা চংলুনু, মমাঙগী য়ূমদা শান্নরুনু অসুম্না তাকই। য়ূম অনীনা কৌন-ঙাঙনদে খঙগে হায়রবদি অঙাংশিংনা শান্নবা চংনদ্রবা য়ূম অনীদু কৌনদে, ঙাঙনদে হায়বসি ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। মসিদা য়ূম অনী কৌন-ঙাঙনদে হায়রিসি য়ূম্নবু করম্না কৌন-ঙাঙনগদৌরিবনো, য়ূম অনীদুদা লৈরিবা মীওইশিংদু কৌন-ঙাঙনদে হায়বনি। নুংশি চান্ননা তিন্নদুনা কৌন-ঙাঙনবা অদুবু-য়ূম অনী অসি য়াম্না নুংশিনবনি অসুম্না শীংথানৈ।

নুংশিনা লোয়নবা য়ূম মশেল অরৈ-লৈতা তাথোক তাশিন তৌনৈ, পোৎ চৈ হংদোক হংজিন, পুবা-লঙবা, ৱাইথোক-ৱাইশিন ঙাইহাক লৈতনা তৌনৈ। অসুম্না লোয়নবা য়ূমদি করিগুম্বা অমগীসু অঙাংদা ওইনা পাখোল থানৈ। শম্না হায়রবদা - ইবুংঙো-ইবেম্মা ইরোনগে হায়না তৌবনি, উতোংদা হেন্তাক মচেৎ অমত্তা লৈরমদ্রে, নদোমচা হোয়দগী হেন্তাক মতুম অমত্তা পুরুচো হোরেন ঐখোয়গী শুরগা শিংলক্কে হায়য়ু! ইবুংঙো নপুদু লৌবুক্তগী হেক কারকপগা হীদাক থক্কে হায়রনি তিকি লৈরমদ্রে, নবোক হোয়দগী তিকি অনী/অহুমখক্তা পুরুচো হোরেন তিকি কঙলগা শিংলক্কে হায়য়ু! ইবুংঙো ইবেম্মা নখোয় কনা-কনা লৈ, মনীংগী নম্ফাল হোয়দগী থুম ঙাম্বক অমত্তা পুরুচো, হোরেনগী চাক থোংবা নংনবা শিংলক্কে হায়য়ু! - ইশুদি মরম য়াম্না মোকপনিদা মমাঙগী নবেন হোয়দগী মোরোক অকংবা মরি/মঙা পুরুচো হোরেন দুকান্দগী লৈরুরগা শিংলক্কে হায়য়ু! ইমাগী ইবেম্মা, তোম্বী চাক মৈ থাগৎলুরে চেঙফুদদি চরা ফানবা চেঙ লৈরমদ্রে, নদোমচা হোয়দগী চেঙ মেরুক অমখক্তা পুরুচো, হোরেন ফৌ শুরগা শিংলক্কে হায়য়ু! ইশুদি মরম য়াম্না মোকপনি কাংহৌ ঙৌগে তৌরগা অচা-থাও মরিক অমত্তা লৈরমদ্রে নমাবোক হোয়দগী থাও কাঞ্চন অমত্তা পুরুচো হোরেন তেল্লি লাকপগা শিংলক্কে হায়য়ু! মসিদা নত্তনা তেরসিং (কেরোসিন), য়াইঙং মনাও অমদি শিংশীৎ ফাওবা পুবা-লঙবা, ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌনৈ। তৌবদি নুমিদাংদি য়াইঙং পুবা-লঙবা অমদি লৈরুবা তৌনদে। মমিং ফাওবা তৌহৈদে হায়না পন্নদে।

ঙাইহাক লৈতনা ইতৎ-তত্তনা পুবা-লঙবা তৌনবা পোৎ অমখক হায়জবা তারবদি ফৌনি। মরমদি নুমিৎ থবান ফৈ-ফত্তে য়েংনরিঙৈ অমদি কোটতগী ফৌ খাইবিনবা মী লৈতবদগী থুম্মোক লাইতংদা অমদি লীখায়দা ওল্লগা ফৌ পুনবা চৎনৈ। মসি অতৈগী নত্তে মৈতৈগী চৎনবীদা নুপীনা কোৎতগী ফৌ খাইবা য়াদবা অদুননি। নুপীনা কোৎতগী ফৌ খাইবা য়ারম্লবদি অসুম্না ইতৎ-তত্তনা পুবা-লঙবা অসি তৌরম্লোই। মশা মশাগী ইঙ্খোলদা থারিবা মান্নদবা মনা-মশিং, ওন্নবা অসিসু তৌনৈ। মদুদি হঙ্গামগা-মোরোক্কা ওন্নবা, কোবিগা-শৌগ্রিগা ওন্নবা, য়েন্দেমগা-পাংখোক্কা ওন্নবা, পানগা-মাইরেলগা ওন্নবা, আলুগা-হৱাইমুবীগা ওন্নবা, খামেন অশিনবগা-হৱাই থরাক্কা, থবীগা-চীনারগা ওন্নবা অসুম্না তৌনৈ। অদুগা নোং ফাদোক মীওই অমনা এঙ্গাং চরা অমা হেকপা লাকপশিংদি চরা ফানবা মখূৎমক্লা হেকহল্লি। হেন্নদুম মপু য়াওনা হেকপা য়াওশিন্দুনা লেম-পানা পুহনখি। অদুগা অমনা অথোংবা এঙ্গাং নিরগা চাবগী চৎনবীসু লৈরম্মী। ইচানুপা অদু উতি থোংলম্মী হায়দুনা চাক চাউ হায়বা য়াদ্রে অদুনা নখোয়গী করি এঙ্গাং থোংই হায়না হংলগা অথোংবা এঙ্গাং লৌনবদা ৱারৌনদে। মতম অদুগী অঙাংশিংনা খ্বাইদগী পামদবা এঙ্গাংদি য়েন্দেম থোংবা, খোংদ্রুম থোংবা, উতি থোংবা, তোর্ব্বোৎ থোংবা, কোবী থোংবা, খামেন থোংবা, শৌগ্রি থোংবা অমদি শেবোৎ থোংবনি। অদুগা খ্বাইদগী পাম্বা এঙ্গাংনা সোইবুম ইরোনবা, য়োংচাক আলু ইরোনবা, পান ইরোম্বা, হৱাই থোংবা, মাইরেন থোংবা, হঙ্গাম থোংবা, চেঙ্গুম থোংবা, উশোয় কাংশু অমদি চগেমপোম্বনি। অদুগা শৌগ্রি থোংবদি মীৎচিনা ফাও হন্না য়েংবীদে।

অসুম্না খৃষ্ট ৩৩ শুবা চহী চাদগী ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখংবনা নিংথৌ ওইনা পান্দুনা লাক্লবা চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজবা মৈত্রবাক মণিপুর অসি ঙসিদি য়ূমদাংবা কুকিশিংনা খাবৈ খারা শাবদগী পুমতোই তোইরে। মখোয়না থাকপা লাংদা মীতৈ পূম্নমক থুদুনা পুকচেল খোইজেল তিন্নদ্রে, লিংজেল মান্নদ্রে। মমাঙঙৈদসু মখোয়না থাকপা লাংদা থুখিদুনা কুমজা ১৮১৯-১৮২৬ ফাওবা মখোয়গী মখূৎতা মায়থীবা নংদুনা মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখিবা লৈখ্রে। লান অদুদা মীতৈ মচা কয়াবু লানফা ওইনা খূবাক্তা য়াইরীনা লেংদুনা পুবীখি। অহল ওইরবশিং অমদি পীক্লবা অঙাংশিংবুনা য়ূম মনুংদা হোইজিল্লগা থোঙ থোঙনাও চেৎনা লোনশিল্লগা মোরোক মৈ থাদুনা শ্বর ফুলহল্লগা হাৎখি। নুপী কয়া অমা ঈজৎ মাংহনখি অদুগা কয়া অমনা মঙক কক্তুনা হাৎখি।

চপ মান্ননা ঙসি মীতৈ ফূরুপ্তা হিংসাগী থৌদোক থোকহন্দুনা অশি-অনা, অশোক-অপন নংহল্লিবা অসিসু অতৈ অমনা নত্তে, মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকহনখিবা মতমদুগী অৱাশিং অদুগী মচা-মশু, শুথাং ওইনা হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা শৈদাংদুনা লৈররিবা কুকিশিং অসিনি। কৈনা কৈ পোকই, তোকপনা তোকপা পোকই, ‘হিংচাবনা হিংচাবা পোকই-!” হায়বদুনি। অদুনদি কুকি নহাশিংসু মপা মপু হিংচাবশিং অদুগী খুদুং ইল্লকপা মশানা তাবনা মীতৈনসু হিংচাবগী মখ্বাং থুদেক্লবা হোৎনবা তাবনি। ●

# চন্নফমসু লৈত্রবা কুকি লানগী পুৱারী মচেৎ

**– বি সী খুমন –**

লানগী মৈচ্রাং অসুম-অসুম হেঙ্গৎলিঙৈ, দেল্লীগী লৈঙাকপশিং উনা-উনা মশোঙ লৈনরকপা, লান খামগে হায়বগী ৱাখল লৈত্রমাল্লে খন্নরিঙৈ, নোংমা ওনরেবল সী এমনা দেল্লীদগী হল্লকপগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা য়াম্না থম্মোয় কায়বা পাউ অমখক তমখিবা মাল্লি “তম্পাক্কী শরুক্কা ঐনা ঙাক্লনি, চীংগী শরুক্কা হোম মিনিষ্টরনা ঙাক্লনি”। তাবদা থম্মোয় কায়গে তৌবা ৱাহৈদু সী এমনা হরাও হরাও য়াখিবগী মরম লৈরমগনি। নুমিৎ কয়ানি শুংলেপ লেপ্তুনা পেরা-মিলিটরিশিং হোঞ্জিল্লকপা য়াবা হোঞ্জিল্লক্লবা তুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মখোয়গী অপাম্বা লান্থোং শিনবা লোইরবা তুংদা য়াম্না অথুবা মওংদা লৈঙাক্কা মরী লৈনবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং দেল্লীগী খুৎচাবী ঙাক্তনা মহুৎ শিল্লকখি। মতাংদু ফাওবা মণিপুরগী সী এম ৱা ঙাঙদে হায়নদি মীয়াম্না শাওনবা হৌখিবনি। খন্নখিবনি, কুকিগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন দিমান্দ পীবা হৌখ্রে হায়না।

কুকিগী লানসু হেন্না-হেন্না কনশিল্লকখি, মায়কৈ শীন থুংনা লান তাশিল্লকখি। নোংমৈ-বোমগী লান ওইরম্বদগী দ্রোন য়াওনা মগুণ লৈখ্রবা স্নাইপর ফাওবা শীজিন্নরকখি। মমৈদদি লোকল মেদ রোকেট ফাওবা কাপশিল্লক্তুনা মোইরাংদা অহল ওইরবা অরাংফম ফম্বা ওজা অমসু হাৎখি। খামজিনবীনবা লৈত্রবা কুকিশিং নোংম-নোংমগী মরৌ লৈবা হেল্লকখি, ফত্তবগী চাংসু হেঞ্জিল্লকখি। চীংয়াগী লৌবুকশিং লৌ উহনখিদ্রে। বফর জোনগী মিংদা আর্মিশিংনসু চীংয়াগী লৌবুকশিংদা মীতৈ নুপী-নুপা অমত্তা লৌ কুমহনখিদ্রে। মীতৈ পাম্বে লৈখিদ্রে, মসা ককখ্রবা কাউনয়েনগুম মতম ঙাইনা মীকিথি শারি। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি কুকিশিং চিং লাওবা চৈনাগা লোয়নননা পূন্সিগী কাউররোইদবা চৈথেং ফংলক্কনি হায়বসি খঙজদ্রি। মরৌ লৈখ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইন্টর্নেল পোলিটিক্সতা মৈগী মৈরানবী ওইখিবা ফূরুপ মশীং খঙদ্রে হায়বসি কুকিশিং ৱাখল তাদ্রি। ওইজবা খরগী মীকানবদা কুকি ফূরুপ মশেল মরক্তসু অঙম অঙম্বা হাৎনবা হৌরক্লে। য়ানবা করি লৈবনো লানগী পাউসু চপ লেপখ্রে। মীতৈ ঐখোয়সিবু কররিনি খনবনো ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা তুমিৎ কাঙগুম খল্লিসিবু মীতৈ য়াম্না পাঙদবা ফূরুপনি হায়ররিরা নৎত্রগা থৌনা ফুদোকপা ঙমদবা ওইনা উরিবা জাৎলা?

হান্নদি সী এমসু ইচঙ থৌনা ৱার ওন দ্রগস কাইনা লাউদুনা পোপি পাম্বী তক্লা য়ান্থৎলম্বনি। রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং খুন তাশিনবা য়ারোই হায়না মখৌ পোঙনা লাউরম্মী। পূম্নমক্তুগী মহয়না কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা সী এমদা খম থেংনা অশাওবা উৎতুনা সী এম লৌথোকউ, তোঙানবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন চৎনহল্লু হায়বগী দিমান্দ কনশিল্লকখি, লানগী মৈরিসু নোংম-নোংমগী কনখৎলকখি। খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইরিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লৈরিবা আর্মি অমত্তনা কুকিগী লান্দাদা অপনবা পীদবসিনি। মীয়াম্না কুকিগা ইন্দিয়ান আর্মিগা পুল্লগা মীতৈ তুম্না হাৎনবা লান্দারক্লে হায়নখি, চুমসু চুল্লকখি। অদুক তমথীবা মীহাৎ মীপূন য়াওবা লান্দাদুনা নোংমতা কুকি নখোয় হেনমল্লে হায়দুনা অথিংবা অমত্তা পীখিদে। হায়দা হায়জিল্লুরগনা ওর্দর ফংদে, পাম্বে লৈতে হায়রকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথোং হুক্তবা অমত্তং হায়য়ু হায়রদি অদুক চরক চহিং নাইরিঙৈ মীকুপশিংদুদা সী এমগী মপাঙ্গল মথৌনা পূম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা শৃৎ নান্না লৌথোকখ্রে। সী এমনি হায়বগী ৱাহন্থোক শুকয়াও য়াওখিদ্রে। কুইদে নোংমা দেল্লী কৈথেল কারুবা হল্লকপদা সী এম রিজাইন তৌহনখি। করি মরম লৈবনো কনাসু করিসু হায়নদে। সী এম লৈত্রবনিনা পি আর থমজিল্লকখি। হৌজিক পি আর মনুংনি। পি আরদগী করি ওইজবা ফংগনি, করিসু ফংলোই। পান্দম অমগী শান্নরিবা জিও পোলিটিক্সতা ইন্দিয়াগী অনীংবদুতনি ফংখিগদবা কুকিসু মীতৈসু পূম্নমক মহাম তাহৌনি। কুকিশিং ফুদিৎতা মাঙজোং চোংহৌনি, মীতৈনা চাওখৎপা মনীং হন্না মীমান্নবা ঙল্লরোই। লান্নবু করি অফবা পুরক্লবগে? পি আরনবু ষ্টেটকী করি চাওখৎ থৌরাং তৌবীগদগে? লাইগী শোয়দনবা দেল্লীগী ইঙ্গিৎতা অদুক জগোয় খরা কোৎলগা তোকখ্রনি। মীতৈশিং লাই ফত্তবগী অখাবা মীৎয়েং মায়োক্লরি, থৌ তৌথোকপদি ফবনি, তৌবীনবা লৈত্রিমাল্লে। মৱা মপাউ ইতা তাদ্রি, অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমদ্রি।

লানগী চৈথেং মরক্তা মীতৈশিংনা ৱারসু ৱানা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমত্তংদি খুনগৎচহৌই, “কুকি কনানো” খঙলে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খ্বাইদগী মোৎপা পোলিটিক্স চিনফা পুহৌরে। সি মঙাই, অহেনবা করিবু লৈরমখিনি। ঙায়োক চফুদা য়োকপা ঙাগুম মীতৈনা লেল্লক্লিবা পূন্সি মহিং কনানা থোকহনবনো হায়বসু খঙলে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অঙম তানবগী পোলিটিক্স তশেংনা খ্বাইদগী তুক্কৎচবা পোলিটিক্সনি হায়বসি মীপূম খুদিং খঙনরে। ৱাহন্থোক য়াওদবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) না নাগাশিংগী মথংদা কুকিশিং ময়া য়াওদবা কৈ ওলহনগদৌরি। থাগী তোলোপ ফংবা, চখোক চৎশিন ফ্রী ওইবা, অফবা খূৎলায়শিং পায়দুনা মীচমশিংদা অকি অখং পোকহনবা, পূম্নমক মখোয়না খল্লম্বশিংদগী হেন্না হেন্না খুদোংচাবা ফংবনিনা কুকিশিংসু নাউ চাওরি। য়েংসি, কয়া কুইনা পুর্ণিমা ওইনি, কুকিগীসু থাশি লৈরমগনি।

হৌজিক কুকি লান কমদৌরি? চপ লেপ্লি- করিগীনো? কনা-কনা করি য়ানবা পুরকখ্রে- খঙদে। ফাগী মানবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন্দা চেকশিন্দবগী মমি অসুক চাউনা তারিবসি অফবদি নত্তে। মথোং খঙদবা লান অমনা ফূরুপ অমদা অসুক শাথীবা চৈথেং পীরিবসি লেম্না তোকখিগদবা মান্দে। কনাগী কলাদান প্রোজেক্ট, করিগী প্রোক্সি ৱার মীতৈশিংনা মতম পূম্বগী কাউবা লৈররোই। মীতৈনা পুকচেল চাউমল্লুবনা ওইজবা পূম্বা মাঙখ্রিবসি কুকিনা খঙদ্রবসু ইন্দিয়ানদি খঙলমগনি। মীতৈগী এ টু জেদ ইন্দিয়ানা নৈনদুনতা লাকপনি। মীতৈ লাক্লা ফানবা ঙল্লক্লোই হায়বসি ইন্দিয়ানা মাঙজৌননা খঙখ্রনি। লোয়ননা ইন্দিয়াদি মীতৈশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন চোপ্পা, ইকায়বা নংখিবা মশীং খঙদ্রবনি। কুকি লানসিসু ইন্দিয়াগী মায়থীবগী শরুক অমনি। মোদি, অমিট শাহ লাক্তিবসি মরাল লৈরবনি।

লৈপাক নিংথৌনা শারমচৎ চৎলবা, লৈপাক মীয়াম্বু মচা-মনাইনি খনবা ঙমদ্রবা অদুগুম্বা মফমদুদা অচুম্বনা পূক্লিং লৈতানা লৈবা ঙল্লোই। নিংথৌগা লৈপাক মীয়ামগা নোংমদি মুক্নরক্কনি, মতমদুদা নিংথৌগী পূন্সি পিখম্নখিনি। হৌজিক্তি পি এম মোদি দিক্টেটরগুম হাইনা হুম্না পান্নীংলক্লে। মাবু য়ানীংদবশিং মরূ ফংনা মাঙহন্নীংলে। আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, মমতা বেনর্জি, রাহুল গান্ধী লৈরিমখৈ মহাক লৈতাফম খঙলোই খনবনা ঙম্নমক মরূ ফংনা মুখৎখিনবা শরৌ শিল্লি। কৈদৌরুনি মকন্থিনা মরল ফোইদৎপা তাদুনা তোক্লি। মশানা মশাবু লাইনি খল্লম্বদু ওইররোই খঙলকপগুম পূক্লিং ৱাখল মনীং হল্লক্লে। মহাকথক বি জে পিগী থম্বাল ইন্দিয়াগী ঈয়াইদা শাৎলরোইদ্রা মীপাইরক্লে। অসুক পূক্লিং লৈতাদ্রিঙৈসিদা মণিপুরগী কুকি লান লোইশিনবগী ৱাখল চঙলমগদ্রা? মথং খনবা অমিট শাহনা কনা য়েংনা বি জে পিগীদমক পাম্বোম তিংখিনি।

ওইনীংবা ওইসনু, মীতৈদি পূম্নমক হামু হামুনি। পোকপদগী লোয়নরক্লবা লানগীদমক কনাগী মতেং লৌদ্রসু অদুম্মক মায়োং য়ানা লান্থেংনগনি, মায় পাক্কনি। কুকিগী লম মচেৎ অমফাও লৈহল্লোই। নেশনল হায়ৱেদা ফ্রী মুভমেন্ট ওইহনগনি, মোরে কৈথেল হাংখিনি। পোপি পাম্বী মরূ য়াওনা ফূকখিনি। য়ূমদাংবনা কৈনাইবগী চৎনবী, লৌ মপু য়োংনা তানবগী ৱারী মখা তানা লৈহল্লোই। য়েক্লবদি মশক খঙনা মমু য়ৈথৎলনি। লৈবাক ঙাক্লিদি খঙলগা লৈঙাক্কী চৎনরোল মশক খঙদবশিং য়েক্লবশিংদা চলহল্লনি। শাশিন্নবা লান অমনা মীতৈ কয়া লম্বী লম্ফাংনহল্লিবসি কনানা থোকহনবনো। চারে চাফম খঙদ্রবা, তূম্লে তূম্ফম লৈতবা ৱাখল লম্ফাংনখ্রবা আই দি পিশিংগী অৱাবা পি আরমক্লসু উশিন্নদ্রি, করি তৌনি।

খাঙবা য়াবা খাঙলে, মীওইবগী মীনুংশিগী মিংদা লান লেপখ্রনি খন্না তুংগী অনৌবা পূন্সি অমগী মঙলান্দা হিংলম্বা মীতৈ রিফ্যুজিশিং খাম্বা য়াদা মরোমদোম শিজরিবসি কনাগী মরালননো? হিংনীংলক্তবা হায়বসিগা মরোমদোম শিজরিবশিংগা মরক্তা শকউদবা অরোনবা অমা লৈব্রা। ইন্দিয়া অমদি কুকিনা নৈবা য়াবা নৈরে মীতৈশিং, মীতৈগী মরাল করিনো? কুকিগী ৱাতমক তাবা, কুকিনা হায়রিমখৈ অচুম-অরান থিদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অঙম অথৌ পূম্নমক চেদা য়েকপা লাইরা? মীতৈ সী এমগুম মখোয়সু হঙ্গৎনা ৱা ঙাঙদবরা? য়ারমদবসু য়াই, দিক্টেটরগী য়াথং কিরোইদবা কনা লৈ, হিংবা চঙবগা মরী লৈনরক্লদি অশিবতনা মাঙজগনি।

লানগী পাউসু তাখিদ্রে, লান খাম্বসু হায়নখিদ্রে, চঙথোক চঙশিন্দি হামু-হামুনি, হায়ৱে অনী বেরা থাংলি, পি আর লৈঙাকসু কোক শারি, কুকিগী নিঙাই থেম্বা ঙমদ্রি। কৈদৌবদগী নোংমৈ কাপ্পা লেপখিবনো, লৈঙাক্লসু হায়দে, কুকিনসু ফোঙদোরক্তে। মীতৈ খুকউ শেনখিসি, ৱাখল লীশাং থাখিসি। বফর জোননা বোর্দররোমদা হোংখ্রবা, ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা ম্যান্মার লমদম পাংখ্রবা, কুকি জো নার্কো টেররিষ্ট মরূ ফংনা মূখৎলবা, কনানা কনাগীদমক কুকিলেন্দ, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবগে য়েংসি। লমগী ষণনা হেন্না মচী শাংই খনবশিং অমুক্তং শোলহনসি। “হৌখিবা ঙা চাউই”। ফম্বদং চল্লকপদা হিপকনি খনবা কুকিশিং কনানা মীনুংশি পীরকপগে য়েংসি। ●

# অদোমগী খোঙদা খঙহৌদনা পোমখৎলকপা অমসুং লূমথরকপা থেংনবীবরা?

**– ডা. কে কে পান্দে –**
**সিনিয়র ভাস্কুলর এন্দ ইন্দোভাস্কুলর সর্জন**
**ইন্দ্রপস্থা এপোল্লো হোস্পিটালস, সরিটা বিহার, ন্যু দেল্লী**

করিগুম্বা অদোমগী খোঙ অদু ইখঙ খঙহৌদনা খরা খরা পোমখৎলকপগা লোয়ননা চৈনাখোল য়াওনা লেপ্পা লৈতনা পোমখৎলকপা তারবদি মদু ইরায় লায়না খন্দোকপীগনু। মরু ওইনা খোঙদা অশোক-অপন থোকখিবা নৎত্রগা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা খোঙ পোমখৎলকপা ওইরবদি নাচুংদনা ফমদুনা লৈথোকপীগনু, খুদক্তা ভাস্কুলর সর্জন অমগা তান্নবিহৌ নৎত্রবদি ফীভম অদু লুশিল্লকপা য়াবতা নত্তনা পূন্সি মাঙবা য়াবগী খুদোংথীবসু হেনগৎলক্কনি।

**খঙহৌদনা খোঙ পোমখৎলকপদা খুদোংথীনীংঙাই ওইরিবসি করিগীনো?**

মসিগী খ্বাইদগী হেন্না অচৌবা মরমদি, খোঙশিংগী, থম্মোয় য়ৌনা ঈ পুরিবা শিংলীশিংদা ঈ মতুম মচা মচাশিং পৈশিন্দুনা লৈরকপদগী ওক্সিজেন মতীক চানা য়াওদবা (শেংদবা) ঈ মথক্লোমদা পুখৎপগী থবক তপথরক্তুনা শেংদবা ঈনা খোঙ অমসুং খোঙপাক্কী শিংলীশিংদা ফুনজিল্লকপা অসিনি। অসিগুম্বা ঈ মতুমশিং অসিনা খোঙগী শিংলীশিংদা পৈশিন্দুনা লৈরকপা মতমদা খঙহৌদনা খোঙ পোমখৎপা হেনগৎলকই। হায়রিবা ঈ মতুমশিং অসিনা মথক্লোমদা কাখৎলক্তুনা থবোম্বীগী ঈ পুবা শিংলীশিংদা য়ৌশিল্লকপা মতমদা নিংশা হোনবা নুংঙাইতবা হৌরকই অমসুং শিবা য়াবগী খুদোংথীবসু হেনগৎলকই। মতৌ অসুম্না খোঙগী শিংলীশিংদা ঈ মতুমশিং পৈশিন্দুনা লৈবগী ফীভম অসিবু 'Deep Vein Thrombosis' (DVT) হায়না খঙনৈ।

**করম্বা মীওইনা খোঙ পোমখৎপগী অৱাবা মায়োক্নে ?**

খোঙনা চাং নাইনা চত্তবা নৎত্রগা হকচাং শাজেল তৌদবা মীওইশিংনা খঙহৌদনা খোঙ পোমখৎলকপগী অৱাবা অসি মায়োক্নগল্লি। কা হেন্না মশা লূম্বা মীওইশিং অমসুং কুইনা ফমজিন্দুনা লৈবা দুকান্দার নৎত্রগা ট্রাফিক পুলিসকী মতম শাংনা লেপ্তুনা থবক তৌবা মীওইনা খঙহৌদনা খোঙ পোমখৎকল্লি। নুমিৎ খূদীং টেলিভিজন মমাঙদা পুং কয়া চূপ্পা ফমদুনা লৈগনবী অমসুং মশাগী অরূম্বা কন্ট্রোল তৌদবা নুপী ওইবীশিং অসিসু খোঙ পোমখৎলকপগী প্রোব্লেমগুম্বা অসি থেংনগল্লি। মশা ৱাই শংদবী নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং অঙাং পোক্লবা মতুংদা খঙহৌদনা খোঙ পোমখৎলকপগী অৱাবা হেক হেক মায়োক্নে। মসিদসু নত্তনা, হোর্মোনশিং নৎত্রগা অঙাং পোক্তনবা হীদাক চাবা নুপীশিং অসিসু খোঙ অমদি খোঙপাক্তা খঙহৌদনা পোমখৎপগী খুদোংথীবা অসি থোক্লকপা য়াই। কেন্সরগী অনাবশিং, মরু ওইনা থবোম্বী, পেনক্রিয়াশ অমসুং থীবোং-থীরিলদা কেন্সরনা নাবশিং অসি খোঙ পোমখৎপা অমসুং খোঙগী শীংলিশিংদা ঈ মতুমশিং পৈশিন্দুনা লৈবগী খুদোংথীবা মায়োক্নগল্লি।

**অদোমগী খোঙ পোমখৎলবদি করি তৌগনি ?**

থৌ-ৱা শাদবা অমসুং মমল য়াম্লবা মতম মাঙহনবা তৌদনা খুদক্তা লায়েংবা হৌবীয়ু। তন্নমক ভাস্কুলর সর্জন অমগা তান্নবীয়ু অমসুং মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা Venous Doper Study হায়না খঙনবা খোঙগী শিংলীশিংগী অখন্নবা এগজামিনেশন অমা পাঙথোকপীয়ু। মসিনা খোঙগী শিংলীশিংগী মনুংদা ঈ মতুমশিং পৈশিন্দুনা লৈরে নৎত্রগা লৈতে হায়বদু খঙবা ঙমহনগনি। করিগুম্বা ঈ মতুমশিং অদু লৈরম্বা তারবদি কয়া য়াম্না লৈরে অমসুং করম্বা শিংলী মশাংদা লৈরিবনো হায়বসিসু খঙহনগনি। মতাং খরদদি ঈ মরীক মরীকশিংনা চাকখাওগী শিংলী য়ৌনা চঙশিল্লম্বসু য়াওই। মসিগা লোয়ননা থম্মোয়গী ইকোগ্রাম লৌদুনা য়েংবগী মথৌসু তাগনি। করিগুম্বা ঈ মরীকশিং অদুনা চাকখাও মনুংদা লৈবা ঈ উতোংশিং অদু য়ৌনা চঙশিল্লম্বা তারবদি থবোম্বীগী CT angiography পাঙথোকপগী মথৌ তাই।

**লায়েংবগী মওংশিং :-** খোঙগী শিংলীদা ঈ মতুম পৈশিন্দুনা লৈরবদি অনাবা মীওই অদু খুদক্তা খোঙনা চৎপা অমসুং লমজেল চেনবা লেপ্তুনা পোত্থারগা লৈগদবনি। খোঙ অদু মখাদা মোন অমা থম্লগা তোংনা লৈহনবীয়ু অমসুং খুদক্তা ভাস্কুলর সর্জন অমগী মীৎয়েং মখাদা লায়েংবা হৌদুনা ঈ মহী লাঙথোকহন্নবা হীদাক থাবা হৌগদবনি।

**খঙহৌদনা খোঙ পোমখৎলকপগী (দি ভি টি) অনৌবা লায়েং :-** খোঙগী শিংলীশিংদা ঈ মতুমশিং পৈশিন্দুনা লৈরবদি খোঙশিং অদুগী CT venography (venous angiography) অমসুং pulmonary angiography হায়রিবশিং অসিসু পাঙথোক্কদবনি। করিগুম্বা ঈ মতুমশিং অদুনা থবোম্বীগী শিংলী মনুং য়ৌনা চঙশিল্লম্বা তারবদি খুদক্তা চাকখাওগী শিংলী অচৌবা মনুংদা IVC filter থিঞ্জিল্লগা ঈ মতুমশিং অদু খোঙগী উতোংশিং অদু তম্না মথক্লোমদা হাইগৎখিবদগী থিংবা ঙমগনি অমসুং থবোম্বীদা অকায়-অতোই থোকহন্দবা য়াই। আই ভি সী ফিল্টর অদু থিঞ্জিল্লবা মতুংদা খোঙগী শিংলীদা লৈরিবা ঈ মতুমশিং অদু শেংদোক্কনি।

**অসিগুম্বা অনাবা মীওইশিং অসি সর্জরি তৌদনা লায়েংবা য়ারে :-** মমাঙঙৈদদি ঈ মতুমশিংবু শেংদোকপগী থাক অসি অনা-লায়েংগী লোন্দাদা Vein Thrombectony হায়না খঙনবা সর্জরিগী মতেংনা তৌনরম্মী। অদুবু ঙসিদি হায়রিবা ঈ মতুমশিং অসি খোঙদা থাঙ থাবা তৌদনা, অহানবদা থুগাইরগা তুমশিনহল্লবা মতুংদা অনৌবা মতমগী য়াম্না স্পিসিয়েলাইজ ওইরবা মেছিনশিংনা মপান্দা চিংথোক্লে। থৌওং অসিবু লায়েং মরোলদা non-surgical venous thrombectony হায়না খঙনৈ। মেথদ অসিনা অনাবা মীওইশিংগী মশা থুনা ফগৎহল্লি অমসুং খোঙলৈ থুনা চৈনাখোল হন্থহল্লি। মসিনা খোঙ পোমখৎপগী চাং নীংথিনা হন্থহল্লি অমসুং ঈ মতুমশিং য়াওবগী চাং অদু মপূং ফানা নেমথহল্লবা মরম্না থবোম্বীগী ঈ পুবা শিংলীশিংদা ফুন্দুনা লৈরম্বশিং অদু শেংদোকই অমসুং পূন্সিবু খুদোংথীবদগী কনবা ঙম্মী। মেথদ অসিগী অনীশুবা কান্নবা অমনা, তুংদা খোঙপাক অমসুং খোঙদা অমুক হন্না পোমখৎলক্তবা অমদি খোঙদা লাইজৌবনচিংবা তৌরকপা য়াবদগী ঙাকথোকপা অসিনি।

**মতৌ করম্না খোঙ পোমখৎলকপা থিংগনি ?**

নুমিৎ খূদীংগী অয়ূক্তা খোঙনা চৎলু। নোংমদা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর মঙা ৱাকিং চৎপা ফৈ। হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহনগনু। পুং অমদগী হেন্না কুইনা ফমজিন্দুনা লৈগনু। পুং অমা ফম্লবা মতুংদা হৌগৎলগা মিনট মঙা নৎত্রগা তরা খোঙনা চৎলু অদুগা অমুক ফমথৌ। মসিগা চপ মান্ননা কৈদৌনুংদসু পুং অমদগী হেন্না লেপ্তুনা লৈগনু, লেপ্লবদি মিনট মঙা ফম্মু অদুগা খোঙ অদু ষ্টুল অমদা থাঙ্গৎলগা থম্মু। খোঙগা চূনবা শাজেল শান্নৌ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।